

পল্লেল বজারগী অকোয়বদা ফল্লিবা দুকানশিংনা পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োনব্রা অমদি লৈঙাক্লা লেপ্পা পোৎচৈগী মমল দুকান মমাঙদা থেৎতুনা থম্বা হায়না আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরনা য়েংশিনখিবা

লামায় ৪



আই জি এ আর (ইষ্ট) অমদি হেদ ক্বার্টর ২১ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা থৌপুম বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংনা নোনে দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা নুংবাদগী ট্রক অমদা হাপ্পুনা চিকখি উশিং ফাগৎখিবা

লামায় ২



কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্ননবগী শামুরৌ কৈথেলদা দুকান ফল্লিবশিং অমদি কৈথেল ফম্বীশিংদা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী চেয়রমেন ৱাই নিলামনিনা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবা

লামায় ৪



রেষ্ট বেঙ্গলদা ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা বি জে পিগী থৌমীশিংদা ফু-চৈবা য়াওনা চথখিবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মোরেদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

লামায় ৪

# শিংজমৈ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মণিপুর কোলেজদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা শিংজমৈ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মণিপুর কোলেজদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) অমা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ঙসি হাংদোকখ্রে।

সী ঐচ আই সী হাংদোকপগী থৌরম অদুদা হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা. সাপম রঞ্জন, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, কোভিদনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপা চুন্লোই। ঙসি শিংজমৈ এ সীদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা হাংদোক্লিবা অসি লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনননবনি। হৌজিক লমদম অসিদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইরক্লি। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হায়দুনা লৈঙাক্লসু অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অতোপ্পা এ সীশিংদসু অসিগুম্লবা সী ঐচ আই সীশিং হাংদোরক্লবদি লৈঙাক্লা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনননবা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি মায় পাক্কনি খল্লি। শিংজমৈ এ সীগী ওইনা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০০ হেন্না পোজিটিভ ওইখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা হোৎনবদা পুম্নমক্লা ভেক্সিন কাপথোকপগা লোয়ননা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থকী এদভাইজর টুসী এম ডা. সাপম রঞ্জননা হায়খি, কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মতুংদা য়ুমদা লৈবগী খুদোংচাদবা লৈবশিং মফম অসিদা লৈহন্ননবা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসি হাংদোকপনি। সেন্টর অসিদা ডোক্তরশিং থাননবা লৈঙাক্লা শেম-শারে। কোভিদ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা এম বি বি এস ফাইনেল য়র তম্লিবা মহৈরোয়শিং মথৌ তৌহন্ননবা সেন্টরনসু খঙহল্লকপসু লৈখ্রে। মসিগা মরী লৈননা এম বি বি এস ফাইনেল য়র তম্লিবা মহৈরোয়শিং ওরেন্টেসন ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্দক্লা খোঙজেল য়াঙবা হেল্লি। ইমুং অমগী মীপুম খূদিংমক পোজিটিভ ওইবসু থেংনরে। মরম অদুনা চিংনবা লৈরবদি লোৎশিল্লগা থম্বীগনু। টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। টেষ্ট তৌদনা লৈরগা লাষ্ট ষ্টেজদা লায়েংউ হায়বসি অৱাবা ওইগনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা রিমস অমসুং জেনিমসতা কোভিদকী ফমুং হেনগৎনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ষ্টেটশিংদা হোস্পিটালশিংগী ফায়র সেফ্‌টিগী ফীভম রিভিয়ু তৌনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী):
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমসুং ষ্টেটশিংদা হোস্পিটালশিং অমসুং নর্সিং হোমশিংদা ফায়র সেফ্‌টি মেকানিজমগী ওইরিবা ফীভমশিং য়াম্না কুপ্পা রিভিয়ু তৌননবা খঙহনখ্রে।



লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিদা মৈহৌ লাংপোক থোকপগী থৌদোক কয়া থোকখিবা অসিগী য়েংলগা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভালানা ঙসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা হোস্পিটালশিং অমদি নর্সিং হোমশিংদা লৈরিবা ফায়র সেফ্‌টিগী ফীভমশিং য়াম্না কুপ্পা য়েংশিন্ননবা খঙহনখিবনি। মহারাষ্ট্র অমসুং গুজরাত য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা হৌখিবা থা ২ অসিদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক থোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। হন্দক্তা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোকশিং অসিনা মেন্টেনেন্সকী থবক থৌরমদা অৱাৎপা লৈরকপা অমদি পীরিবা ফেসিলিটিশিং অদুগী মতুংইন্না ইন্টর্নেল ৱেরিংদা হায় লোদ লৌরকপনা সোর্ট সার্ক্যুইট থোক্তুনা মৈহৌ লাংপোক থোকহল্লকপগী মচাক অমা ওইবদা নত্তনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মাঙহন তাকহল্লি। লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংদা মরুওইনা কোভিদ-১৯গী দেদিকেটেদ ফেসিলিটিশিং পীরিবা হেল্থ ক্যের ইনষ্টিট্যুসনশিংদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোকশিং থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা এক্সন প্লান অমা শেম্বা মথৌ তারি হায়নসু হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি-শিংনসু মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা হীরমসিগা মরী লৈননা মীৎয়েং চঙনননবা পাউতাক পীগদবনি। লোয়ননা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা ফিল্ড লেভেল ওফিসলশিং হকথেংননা চৎতুনা ফায়র সেফ্‌টিগী গাইদলাইনশিং ঙাক্লিব্রা হায়বদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনগদবনি অমদি মথৌ তাবা এক্সনশিং খুদক্তা লৌখৎকদবনি হায়নসু মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোভিদ দেদিকেটেদ হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা কোভিদ-১৯গী অনাবা কয়া লায়েংলিবনি। লায়েংবগী থবক চথরকপদা ওক্সিজেন সপোর্ট তৌবা ফমুংশিং, আই সী য়ুগী ফমুংশিং মথৌ তারকপনা পুং ২৪ চুপ্পা মৈ ফংহনবগী মথৌ তারিবনি। হন্দক্তসু হোস্পিটালশিং অমসুং নর্সিং হোমশিংদা ফায়র সেফ্‌টিগী এদভাইজরি কয়া থোকখিবসু লৈখ্রবনি।

## থৌবালগী পাউমীশিং টিকা কাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্তা ষ্টেট অসিদা ঈ-পাউগী থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিং লোয়নমক কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা থবক তৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা ট্রিট তৌরগনি হায়না লাউথোককখিবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মেম্বর অমসুং তোঙান-তোঙানবা মীয়িদা হাউসতা মথৌ তৌরিবা পাউমী ১২ দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফৌদেলদা লৈবা অর্বান প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

ভেক্সিন কাপ্পা অদুদা শরুক য়াখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সোইবম বিনোয়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইনা অরুবা ফীভম অমদা লাম্থেংনরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি মায়োক্লবদা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীরিবা লৌরিবা পাউমীশিংবু মণিপুর লৈঙাক্লা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা লাউথোকপীবা অসি পাউমীশিংবু ঈকায় খুম্নবীবনি হায়না লৌই। লোয়ননা পাউমীশিংবু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপ্পগী খুদোংচাবা পীবা অসিগীসু লৈঙাক অসিবু থাগৎলি। ফৌদেনগী অর্বান প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরগী এম ও ইন-চার্জ ডা. মুতুম রাকেশনা সী এম ও, থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসরগী লমজিং মখাদা পাউমীশিংবু ভেক্সিন কাপ্পীনবা হোৎনখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থে, ভেক্সিন অসি শোয়দনা কাপথোকপীয়ু হায়বা ৱাফমসু থম্লকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
কুকি বেপটিষ্ট কনভেন্সন (কে বি সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি রেবরেন্দ ডা. হোলঙম হাওকিপনা ঙসি নুমীদাংৱাইরম জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

য়ু কে এল এফকী জোইন্ট সেক্রেটরি টি জেমসনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা রেবরেন্দ ডা. হোলঙম হাওকিপ কুকি সোসাইটিগী মনুংদা থিওলোজিদা ডোক্টরেট দিগ্রী ফংখিবা অহানবা মীওই ওইখিবদা নত্তনা কুকি বেপটিষ্ট কনভেন্সনগী ফাউন্দর মেম্বরনি। প্রিষ্ট অমা ওইবগী মথক্তা মহাক কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফননবা থৌদাং লৌরমখিবা মীশকনি। ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা অমদি ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্ননবা পুরক্লবা হোৎনরম্বা মীশকনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৯দা মীওই ৮৩৪ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :
ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পল্লম্বা মীওই ফ্লাইট ৯দা মীওই ৮৩৪ পুদুনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯তাবদা ইন্দিগো ৬ই-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১১১ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক্কী পুং ১০.০৫ তাবদনা ইন্দিগো ৬ই-৬১৮১ ফ্লাইট অসিনা কোলকোটদা পল্লম্বা মীওই ৪০ পুদুনা ইম্ফাল এয়পোর্টতা লাকখি। অয়ুক্কী পুং ১১.১৫ রোম তাবদনা এয়র এসিয়া আই ৫/৭৮৩ হায়রিবা ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৫৫ রোম পুদুনা ইম্ফালদা লাকখি। অয়ুক্কী পুং ১১.৪৫ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৩ হায়রিবা ফ্লাইট অসিনা কোলকোটাদা পল্লম্বা মীওই ৮১ রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ৩৭ পুদুনা ইম্ফাল তম্না লাকখি। নুংথিল ১.৩৫ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১৪১ পুদুনা ইম্ফাল থুংলখি। ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদনা ইন্দিগো ৬ই-২৬১৫ ফ্লাইট অসিনা দেল্লিদা পল্লম্বা মীওই ১৪৩ পুদুনা ইম্ফাল থুংলখি। নুংথিলগী পুং ২.৩৫ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ই-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকোটাদা পল্লম্বা মীওই ১৩৭ অমদি নুংথিলগী পুং ৩.৫৫ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ই-১৭২ ফ্লাইট অসিনা বেঙ্গলোরদা পল্লম্বা মীওই ৮৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

মরক অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা শাথিনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিং মরুওইনা মহারাষ্ট্র, কর্নাটকা, দেল্লি, হৈদ্রবাদ, অনধ্র প্রদেশ, গুজরাট, রাজস্থান, ছতিসগড় অমদি হিমচল প্রদেশনচিংবা মফমশিংদগী চঙলকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা নুপা ১০ অমদি নুপী ৭ পুন্না মীওই ১৭ কোভিদ-১৯ আর টি পি সী আরদা টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌখৎখ্রে। ঙরাং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী লৌখৎখিবা সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

## জি বি মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)গী জেনরেল বোদি (জি বি) মীফম মে ১০ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী শাথিরবা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না নিম্পালগী ব্রাঞ্চ/য়ুনিটশিং অমদি মীয়ামদা খঙহঞ্জরি হায়না নিম্পালগী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন ক্লোজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
ষ্টেট মিসন দিরেক্টর, ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি (এন ঐচ এম) মণিপুরনা হৌখিবা মে ২দা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী রেফরেন্স মতুংইন্না খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন চথুরকখিবা অদু ক্লোজ তৌরে হায়না থৌবাল সব-দিভিজনল ওফিসর এন ইঙোচানা ঙসি থোকখিবা নোটিশ অমনা খঙহল্লক্লি।

## সেলিন দিজিটেলনা শীন্দুনা ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
সেলিন অমদি দিজিটেল অমদি এন আর মিদিয়ানা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস পীবগী লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমগী মনুং চন্না আই এস টি ভি নেটৱর্ককী এগজেক্যুটিভ মেম্বর অমদি ষ্টাফশিংগী ওইবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফীল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কেএসঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় হৌজিক কোভিদ-১৯গী চপ চাবা হীদাক লৈত্রিবনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপা অমদি এস ও পি ঙাক্তুনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মসি নত্তনা অতোপ্পা পান্থে লৈত্রি। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক চেকশিনমিন্নবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা পীরিবা মতম মতমগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুম্নমক্লা কাপথোকমিন্নবা মথৌ তাই। মতম অদুদা ঐখোয় পুম্নমক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎপু মায়থিবা পীবা ঙমগনি। মসিদা ঐখোয় পুম্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি কাউথোকপীগনু হায়খি।

থৌরম অদুদা এন আর মিদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেস অমদি এগজেক্যুটিভ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়খি।

## মোরেদসু ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী মীওইশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী মীওইশিংদা ফূবা চৈবা য়াওনা ওৎ-নৈদুনা অশোক অপন কয়া য়াওহনখিবা থৌদোক অদুবু বি জে পি এস টি মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট জে খোংসাই অমদি মোরে বি-১৬গী বি জে পি ইলেক্সন কম্মিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মোরেদা লৈবা কম্মিটি অসিগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা জে খোংসাইনা ফোঙদোকখিবদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী লংলা-লংজিল পুথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## দ্রগকী মায়োক্তা এসোসিএসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
য়াইরিপোক নিংথৌনাই মথক লৈকায় (কৈরংখোং) মৈরা পায়বী অমদি সোসল দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন (সোদু) অনীগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা দ্রগ চাবা অমদি য়োনবগা মরী লৈনবা থবকশিংদা থিংনবা সোদুগী মখাদা কৈরংখোং এন্টি দ্রগস এসোসিএসন (কাদা) কৌবা সব-কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না সোদুগী জেনরেল সেক্রেটরি এমদি মুস্তাকিম শাহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, সোদুনা কোল্লিবা মফমশিংদা দ্রগ য়োনবা অমদি চাবগী থবক খূদক্তগী অথিংবা থম্লে। লোয়ননা নুমিদাং পূং ৮গী মতুংদগী মীতোপ চঙবসু অথিংবা থম্লে হায়রি। কনাগুম্বনা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মায়োক্তা চৎনবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুম্নমক মশা-মশানা পুজগদবনি হায়রি।

ঙসি ফমখিবা অপূনবগী মীফম অদুদা কাদাগী কনভেনর মোহম্মদ বাসির অমদি এমদি অনৱারনচিংবা মরু ওইবা থৌবুরোইশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

## য়ু অমদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিং অমদি ইনষ্টিট্যুসনশিং লৈরিবা মফমশিংদগী মিটর ১০০গী অকোয়বদা য়ু অমদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে।

চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ঙসি থোকখিবা পব্লিক নোটিশ অমনা হায়, নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা খঙহল্লকখিবা অমদি জে জে এক্ট, ২০১৫ এন্দ রুলস ২০১৬ সেক্সন ৭৭ অমসুং রুল ৫৬কী মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈরিবা স্কুলশিং/ইনষ্টিট্যুসনশিংনা লৈরিবা মফমশিংগী মিটর ১০০গী অকোয়বদা য়ু অমদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবা নৎত্রগা য়োননবগী পর্মিট পীবদা অথিংবা থম্লে। অথিংবা অসিবু থুগায়রকপশিং অদু ফাইন থিহনবগা লোয়ননা এক্টগী সেক্সন ২৪গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়নসু খঙহল্লক্লি।

## ৱাঙ্গোই সী ঐচ সীদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক নীংথিনা চত্থরি



ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ৱাঙ্গোই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱাঙ্গোই কম্ম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী)দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক নীংথিনা চত্থরি।

ৱাঙ্গোই সী ঐচ সীদা ভেক্সিন কাপ্পা লাক্লিবশিংবু লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎহনবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পগী থবকশিং নীংথিনা পাঙথোক্লনবা সী ঐচ সী অসিগী এম ও ইন-চার্জ ডা. এন সুশিলানা নীংথিনা য়েংশিল্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ৱাঙ্গোই সী ঐচ সীগী এম ও ইন-চার্জ ডা. এন সুশিলানা হায়খি, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২দা ৱাঙ্গৈই সী ঐচ সীদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি হৌদোকখিবনি। নুমীৎ অসিদগী ঙসি ফাওবদা সী ঐচ সী অসিদা মীওই ২০০০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে।

কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৯০, আই সী দি এসকী ষ্টাফ ১১৭, আশা ৱর্কর ২৬, ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ১৬২সু য়াওরি। মসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৫৬, আই সী দি এসকী ষ্টাফ ৭৭, আশা ৱর্কর ২৫ অমদি ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ১১৩ দি অনীশুবা দোজসু কাপখ্রে। সী ঐচ সী অসিদা ভেক্সিন কাপ্পা লাক্লিবশিংনসু এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। লায়না-লাইচৎ অসি থেংনননবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৌফম থোকপা থৌদাংসু লৌবীয়ু হায়নসু মহাক্লা আপীল তৌরক্লি।

বি জে পিগী এক্টিভ মেম্বর অমসু ওইরিবা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা ৱাই নিলামনিনসু ৱাঙ্গোই সী ঐচ সীদা চত্থরিবা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবকশিং অদু য়েংশিনখি।

## পোৎচৈগী মমল হেন্না য়োনব্রা হায়বা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):
পল্লেল বজারদা লৈবা দুকানশিংনা পোৎচৈগী মমল লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদগী হেন্না য়োনব্রা অমদি লৈঙাক্লা লেপখিবা পোৎচৈগী মমলগী লিষ্ট অদু দুকান মমাঙদা থেৎলগা থম্লা হায়না আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এস য়ু এম)না য়েংশিনখ্রে।

এ এস য়ু এমগী ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি চাইতু ৱিলিয়মবোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস খুপমিন্থাং আইমোলনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি পল্লেল বজারদা লৈবা দুকানশিংনা পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োনব্রা অমদি লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা পোৎচৈগী মমলশিং অদু দুকান মমাঙদা থেৎতুনা থম্লা হায়বদু য়েংশিনখিবনি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দুকান মপুশিং অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংদসু কোভিদকী এস ও পিশিং অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং নীংথিনা ঙাক্লবা আপীল তৌখ্রে। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী দুকান মপুশিংনা পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবসু খঙহনখি। মীয়াম্নসু পোৎচৈগী মমল হেন্না য়োনবা থেংনরবদি পাউ পীবীরকউ হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## কাঙলোন থুগায়বশিংদগী পুলিসনা লুপা লাখ ১.১৮ লোম খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :
ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ কনখৎলকপগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা নোংম-নোংমগী মীশি-মীনাগী চাং হেনগৎলকপা থিংনবগীদমক লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা লম্বীদা মীওই কয়া পুলিসনা নোংমা কাংদনা ফাগৎতুনা ফাইন খোমগৎপগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং মরুওইনা য়ূমদগী মপান থোক্লকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, মীয়াম তিনবদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি অথিংবা থমখ্রবা মফমশিংদা থোক্লকপা মীওইশিং পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ৩৩২ দিটেন তৌখি। পুলিসনা ফাদুনা দিটেন তৌখিবা মীওইশিং অদু মখা তানা তৌদনবা পুলিসনা ৱার্নিং পীদুনা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা লাখ ১,১৮,২৮০ খোমগৎখি। লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপসু য়াই। ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওই ৩৩২গী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ২৪৯, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭০, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৫ অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১ ফাগৎখিবনি হায়রি।

## শামুরৌ কৈথেলদা দুকান, পোৎফম ফম্বশিং অমদি পোৎচৈ লৈবা লাকপশিংনা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :
ষ্টেটঅসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিদগী ঙাকথোক্ননবগী পান্দমদা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্টিভ মেম্বর অমসু ওইরিবা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ৱাই নিলামনিনা শামুরৌ কৈথেলদা দুকান, পোৎফম ফল্লিবশিং অমদি পোৎচৈ লৈবা লাকপশিংদা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে।

ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ৱাই নিলামনিনা হায়খি, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকপদগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা চৈথেং কয়া পীরক্লি। মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিবু তরাই তরাইনা লৌগুমসি। ঐখোয় পুম্নমক্লা চেকশিনমিন্নসি।

লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা লৈঙাক্লা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবনি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা চৎতুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নসি। শামুরৌ কৈথেল অসি মী য়াম্না তীনবা মফম অমা ওইবনা মফম অসিদা পোৎচৈ য়োল্লিবা দুকান অমদি পোৎফম ফম্বশিং অমসুং পোৎচৈ লৈবা লাক্লিবশিংগী মরক্তা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরক্কদবগী ঙাকথোক্ননবগী পান্দমদা ফেস মাস্ক অসি য়েন্থোকপনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।